# ‘ঈং-তপ্পা ফীভম হঞ্জিল্লকপদগী মীয়াম্না মথৌদা পূক্নিং চঙবা ঙল্লে’

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচএনএস) :

মণিপুরদা ঈং-তপ্পা ফীভম হঞ্জিল্লকপদগী তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈরিবা মীওই পূন্নমক মশা মশাগী মথৌদা পূক্নিং চঙবা ঙল্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কোম্থা অহল্লুপ্তা য়ুথ ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্টরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৯শুবা য়ুম্নাম রাসমনি মেমোরিএল অন্দর-১৫ বোইজ অমদি অন্দর-১৭ গর্লস সভেন এ সাইদ হোকি টুর্নামেন্ট২০২১ লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

লৈঙাক্না শান্নরোয়শিং য়োকখৎপগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাক্লি হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, শান্নরম্বদগী পোত্থারবা মীওইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগীদমক খল্লগা ষ্টেট লৈঙাক্না থবক ফংহৌদ্রবা শান্নরোয় অমদি কোচশিং মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা মতমদা পেন্সন পীনবা থৌরাং লৌখৎলে। নেসনল নৎত্রগা ইন্টরনেসনল থাক্কী টুর্নামেন্টশিংদা মণিপুর/ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুবা মীওইশিংদা পেন্সন পীনবা স্কিম অমা হৌদোকখিবনি।

লোকল ক্লবশিংগী হোৎনজমন্না মরম ওইরগা মণিপুরদা মশক নাইবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙম্লকপনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, হৌজিক্তি ষ্টেট অসিদা মীয়ামনা শকখঙ মায়খঙনরবা শান্নরোয় কয়ামরুম লৈরে। লমদম অসিদা হোকি মশান্না চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্বগীদমক য়ুম্নাম রাসমনিগী মীংদা চহী খুদিংগী টুর্নামেন্ট পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মশান্না অসি চাওখৎহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা য়ুথ ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্টরগী শান্নবুং অসি অথুবা মতমদা এষ্ট্রো টর্ফ হোকি গ্রাউন্দ ওইনা শেমগৎলগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকখি।

তোঙান তোঙানবা লমদা হৈথোই-শিংথোইরবা মীওই কয়া মণিপুরদা মরাং কায়না লৈ হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, শান্ন-খোৎনবা অমদি কলচরগী লম্ খক্তদা নত্তনা হ্যুমেন রিছোর্সকী মতাংদসু মাঙজিল থাবা মীওই কয়া লমদম অসিদা লৈরি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এন দি এগী এগজামিনেসন্দা পূন্না মীওই ১২ মায় পাকপা ঙমখি। মীশিংদা পাথোক্লগা য়েংবদা আর্মি ওফিসর মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ষ্টেট মণিপুরনা ওইরম্না য়াই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাও এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎ অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী অধ্যক্ষ পি বিমোলাসু শরুক য়াখি।

# পি এম কে ভি ৱাই সর্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচএনএস):

পি এম কে ভি ৱাই গী মখাদা ‘টু শাফ্ট হেন্দলুম ৱীভর’গী ট্রেনিং প্রোগ্রামদা মপূং ফানা শরুক য়াখিবা ট্রেনী ১০০দা সর্টিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি মোইরাং কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা তেরাখোংশাংবী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা লৌমী-শিন্মী অমসুং নুপী লুপনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ত্রোংলাওবী তেরাখোংশাংবী গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধান এল বসন্তনা চীফ গেষ্ট, মোইরাং কেন্দ্র লৌমী-শিন্মী অমসুং নুপী লুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনাম ইঙোতোম্বনা ফঙ্কসনল প্রসিদেন্ট; বি জে পি কিষাণ মোর্চাগী ষ্টেট ভাইস প্রসিদেন্ট কেঐচ বসন্ত; ক্বাক্তা জি পিগী উপ প্রধাণ এন পুর্ণিমা দেবী; লুপকী এদভাইজর এল শ্যামকুমার অমদি অতৈ লুপকী এদভাইজরি কয়ানা মথংশীৎনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা লৌমী শিন্মী অমসুং নুপী লুপনা কে বি ফিলান্থ্রোপি ৫ খাবম লমখায়গা খৎশম্নদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ স্কিলস দিভলপমেন্ট এন্দ ইন্টরপ্রেন্যুরশিপ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা কুমজা ২০২০গী ওক্টোবর থাদা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা ফেজ অনী থোক্লা মোইরাং কেন্দ্রগী ক্বাক্তা গ্রাম পঞ্চায়ততা নুপী ৫০, তেরাখোংশাংবীদা নুপী ৫০ পূন্না ফিশাবী ১০০না শরুক য়াদুনা চৎখিবা ‘টু শাফ্ট হেন্দলুম ৱীভর’ ট্রেনিংদা শরুক য়াখিবা ট্রেনীশিংদা কম্পাইলেসন সর্টিফিকেটশিং ঙসিগী থৌরম মপুশিংনা য়েন্থোকখি।

রিছোর্স পর্সন ওইনা লৌমী শিন্মী অমসুং নুপী লুপকী জেনরেল সেক্রেটরি এল মংলেম্না হায়খিবদা, ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি মীওই ১০০না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ট্রেনিংনি। ট্রেনিং লোইরবা মীওই ১০০দা সর্টিফিকেটশিং অসি য়েন্থোকপনি। ঙসিদি লৌমী লুপ অসি নুপীশিংগী ওইবা সেল খায়দোক্লে, লুপ অসিবু হেন্না চাওখৎহন্নবা অমদি নুপীশিংনা তৌবা য়াবা থবকশিং পাঙথোকপা ঙমহল্লগনি। অদুদসু নত্তনা কেন্দ্র অসিদা পাৱরলুম য়ুনিট কয়া হাংদোক্লবা হোৎনরি। মসিনা কেন্দ্র অসিদা ফিশা লোনশাগী লমদা অচৌবা অওনবা অমা পুরকপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবসু লৈ।

লোয়ননা লৌমীশিংদা খুদোংচাবা ফংহন্নবগীদমক মোইরাং সর্কলগী ওইনা হাংলিবা এগ্রি ওফিস অসিবু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীয়ু। অদুগা ঙসি ট্রেনিং লোইরবশিং অমুং মেম্বরশিং অমদি মৈতৈ, মৈতৈ-পাঙল ঐখোয় খুদিংমক্না কন্না হোৎনদুনা চাওখৎপা লমদম অমা ওইনবা হোৎনসি হায়খি।

# এয়রপোর্টতা টেষ্ট তৌবদা ২...

*লামায় ১গী মখা...* কেস ২৯না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই২৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৫ য়াওরি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবগী রিপোর্ট অমত্তা লৈতে। অমরোমদা, হৌখিবা জন্যুৱারী ১৬তগী মার্চ ২১ ফাওবদা মণিপুরদা পূন্না মীওই ৮১,২৯৭ কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে। মসিগী মনুংদা হেল্থ কেয়র ৱার্কর ৩১,১৪০, ফ্রন্ট লাইন ৱার্কর ৪৯,১৪২, চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা অহল ওইরবা মীওই ৮৪১ অমসুং চহী ৪৫দগী ৬০ ফাওবগী মনুংদা কোমোর্বিদিটিজ লৈবা মীওই ১৭৪ য়াওরি হায়রি।

# নোংজু থা য়ৌরক্ত্রিঙৈদা তুরেল পূন্নমক ...

*লামায় ১গী মখা...* পূন্নমক চিথোক্লগা তরু-তানাবা ঈশিং ওইহল্লবা মতুংদা অমুক হন্না তুরেলগী ঈচেলদা তিলহনগনি নৎত্রগনা অকোয়বদা লৈরিবা লৌফমশিংদা ঈথৈ লৌথোংগী ঈশিং ওইনা পীনবা থৌরাং লৌখৎকনি। ট্রিটমেন্ট প্লান্ট মনাক্তা তুরেল খোংবান পরিং পূন্নমক রিটেনিং ৱাল চনবগী থবক পায়খৎলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। তুরেল মপান্দগী অমোৎ-অকায় লংশিল্লকপনা নম্বুল তুরেলগী ঈশিং মোৎশিল্লকপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, লোক্তাক পাৎ য়ৌনা চেল্বরিবা তুরেলগী ঈশিং মোৎশিল্লক্লবদি মালেমদা অমত্তা ঙাইরবা থুমহি চেন্দবা পাৎ অসিগী ফীভম মাঙশিল্লকপগা লোয়ননা সঙাইগী লৈফমদসু অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই। পূন্নমক অসিগী য়েংলগা নোংজুথা য়ৌরক্ত্রিঙৈদা তুরেল পূন্নমক লূ-নালহন্নবগী থৌরাং অমা হোম দিপার্টমেন্টনা পায়খৎপা হৌরে।

পনবা য়াবদি, নোংমদা ঈশিং মিলিয়ন লিটর ১৬ পুথোকপা ঙমগদবা সিৱরেজ ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্ট অসি লুপা ক্রোর ৯৭.৭২ চঙনা শেমগৎপা হৌখিবনি। তুংদা মোংশাঙ্গে কনবা অপূনবা লূপনা শীন্দুনা ‘সেভ নম্বুল, সেভ ইনভাইরনমেন্ট’ হায়বা থিমগী মখাদা মেগা ক্লিনিং কেম্পেয়েন অমদা চীফ মিনিষ্টরনা শরুক য়াখি। নম্বুল তুরেল অমদি অকোয়বগী ফীভম লূ-নান্না লৈহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা মোংশাঙ্গে কনবা অপূনবা লূপনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিবু চীফ মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই অমসুং এম এল এ করাম শ্যামসু শরুক য়াখি।

# কে কে ৱাহেংবম্না ইবা ‘ঐ অমদি...

*লামায় ১গী মখা...*অচম্বা খূদোলপোৎ অমমম পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা কে কে ৱাহেংবমনা মহাক্না কেন্সরনা নাদুনা গুৱাহাটি, কোলকটা অমদি মুম্বাইনচিংবদা লায়েংদুনা লৈরিঙৈদা অৱা-নুংঙাইগী ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ঐচ দেবেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর সাহিত্যদা অসিগুম্বা লাইরিক অমা খূদোল তম্বা ফংবা অসি য়াম্না চাউথোকচবা মতাং অমনি লৌই। মসিবু ওইহনবীরিবা পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরবুসু থাগৎখি। হায়রিবা সংস্থান অসিগী মতেংদগী কে কে ৱাহেংবমগী ‘ঐ অমদি কেন্সর’ হায়বা লাইরিক অসি মীয়ামগী খূৎতা য়ৌহনবা ফংহনবীরিবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কেন্সর অসি থেংনগে হায়রগদি ঐগী ৱাখল অসি দোক্তরনা পীরিবা হীদাক্না চাদা ৫০ মতেং ওইরগসু চাদা ৫০ অমনা ঐগী ৱিল পাৱর অসিনা মনুংদগী পীরকপা য়াম্না মরু ওই হায়না অখণ্ড অহৈশিংনা মত পীনরি। মসি কে কে ৱাহেংবমনা প্রাক্টিস তৌবীরমগনি হায়না খল্লি। পোজিটিভ থোট অসিনা মাঙলোমদা পুরগদি নোংমদা অফবা -ফত্তবা ৱাখল লিশিং ৩০/৬০ পাইশিল্লকই। মসিগী মনুংদা পোজিটিভ থোট লিশিং ২০ লোম লৌহৌবা ফৈ।

# পিছ, হেল্থ অমদি এদ্যুকেসনগী ...

*লামায় ১গী মখা...* শীজিন্নদুনা সাইকল থৌবা নহাশিং অদু দি সীগী পার্মিট য়াওব্রা হায়না দিটেন তৌখি। পি সরতচন্দ্রনা মখা তানা লমজেল অদু হৈঙাং মখা থোং, কাইরং থোং, সলান থোং, সঙাকফম, ঈ কে হায়র সেকেন্দরি স্কুল লোমদা লাক্লগা কোম্থা অহল্লুপ তম্না চেল্লকখি। কোম্থা অহল্লুপ্তা নত্তনা মফম কয়াদা পুলিস পর্সনেলশিংনা পি সরতচন্দ্রবু থিংননবা হোৎনবদা মফম কয়াদা মুক্নদুনা লাক্লবা মতুং অচানবীগৈ য়ৌশিনখি। মফম অদুদা পুলিসনা অকনবা মওংদা থিংবগা লোয়ননা মখা তানা লমজেল অদু চেনবদা থিংদুনা অকনবা মওংদা মুক্নরক্তুনা অশোক অপন য়াওরকপদগী লমজেল অদু পন্থুংফম য়ৌদনা মফম অদুদা লোইশিনখি হায়রি।

তুংদা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ঈ কে হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সেক্রেটরি পি সরতচন্দ্রনা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর লৈরিবা এ সী অসিদা পিছ, হেল্থ অমসুং এদ্যুকেসনগী পাউজেল পুবা লমজেল অমা চেনবদা পুলিসনা করিগী ঈরাং শাগৎলিবনো, কোভিদ-১৯গী এস ও পি করিগী থুগাইবনো হায়দুনা থিংখিবগী থৌওং অসি লাইবক থীবনি। মহাক মথন্তা চেনখিবা ঈং-তপ্পগী পাউজেল পুবা লমজেল থিংখিবা অসি য়াম্না ঙকপা ফাওই। চিন্দনা ঈং-তপ্পা, হেল্থ অমসুং এদ্যুকেসন হায়না লাউরগা থবক্তুনা তাইওন্নবা থবক কয়া তৌরকপা অসি পেন্দে। পুলিসকী থৌওং অসিদি মণিপুর মীয়ামগী নীংবা কায়নীংঙাইনি। ইথন্তা চেনবা লমজেলনা কোভিদ-১৯গী এস ও পি থুগাই হায়রবদি ঙসি চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মীওই কয়া তিনবা মীফম কয়া হৈঙাং এ সীগী মফম কয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা অমদি নুমিদাংগী মতমদা ঈশৈ নোংমাই পাঙথোক্কনি হায়না শেম শারিবা অসিদি কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্কদৌরিব্রা হায়নসু মহাক্না হংলক্লি। লমজেল অসি মহাকপু লন্নাই ওইনা য়েংখিবগী থিংখিব্রা, চিন্দনা পিছ, হেল্থ, এদ্যুকেসন লাউরগা করিগী লমজেল অসি চেলহন্দবনো। অথিংবা লৈত্রবা মতমদা লমজেল অসি অমুক হন্না চেনখিগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কৈজেংলাং ১ থাদোকখ্রে

*লামায় ১গী মখা...*অসি ইন্দেঞ্জর্দ স্পেসিস অমা ওইরে অমদি ৱাইল্ডলাইফ প্রোটেক্সন এক্ট, ১৯৭২গী মতুং ইন্না সেদ্যুল্ড ৱানদা অদুগা সী আই টি ঈ এসকী এপেন্দিক্স-টু চনবা অতাংবা জীব অমা ওইরে। এন মুনালনা মখা তানা হায়খিবদা, কৈজেংলাংনা উচি, হওঙৈ, চুম অমদি তীল কয়া চাদুনা হিংবনা মহৌশাগী খল ঙাকপদা অচৌবা দায়ত্ব লৌবদা নত্তনা মীওইবগী কান্নবদা অচৌবা দায়ত্ব লৌই। ঙসি ইন্টরনেসনল ফোরেষ্ট ডেনা লাকপদা ঐখোয়না শা অসিবু কনবদা চাউথোকপা পোক্লি। মরমদি ঈশিং লৈতবা লৌখোং, মী লৈনদবা য়ুম অমদি মী কাবীদবা কৈথেলগুম শা-উচেক লৈতবা ফোরেষ্ট কৈদৌনুংদা মপূং ফাবা ফেরেষ্ট ওইরোই। মরম অসিনা ঐখোয় পূন্না ফোরেষ্ট য়োকখৎমিন্নসি অমদি তুংগী মীরোলগীদমক শা-উচেকশিং কনমিন্নসি হায়না এন মুনালনা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

# অহানবা ষ্টেট লেভেল দিবেট চাংদম্নখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচএনএস):

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোর্টস সেলনা শীন্দুনা অহানবা ষ্টেট লেভেল (ওপন) দিবেটিং চাংদম্নবগী থৌরম অমা ঙসি সগোলবন্দ লৌখাম লৈরক্কী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রিটায়র্দ প্রোফেসর ৱাংখেম নবকুমারনা স্পীকর ওইখি। জুরি মেম্বরনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দীন ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়রগী এল বিশ্বনাথ শর্ম্মা, এল সানোই কোলেজ নম্বোলগী ফিলোজোফি দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার এস প্রেমানন্দ অমদি মণিপুর কোলেজ ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকনোমিক্সকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার এল গোজেন্দ্রনা ওইখি।

থৌরমদুদা ট্রেজরিদা মীওই ১৭ অদুগা ওপোজিসন্দা মীওই ২৫না শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মকোক মথং তাখিবা মীওইশিং অদুদি অহানবা মনা ফংখিবা ট্রেজরিগী হিন্দু কোলেজ, দি য়ুগী স্রিকান্ত টিঐচ; অনীশুবদা ওপোজিনগী এম য়ুগী ঐচ কৃষ্ণকুমারি অমদি অহুমশুবা তাখিবা এম য়ুগী এম অমরজিৎনি হায়রি।

# ইরাবোতনা হেনরিগী মথক্তা থাঙ্গৎলকপা...

*লামায় ১গী মখা...* কোর্ট ওফ মণিপুরনা মসিদা ফাইল তৌনরকখিবা তোঙান তোঙানবা ইলেক্সন পিটিসন ১২গী মনুংদা অমা ওইরিবা ইলেক্সন কেস অসিবুসু এদমিট তৌদুনা লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েল জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী কোর্টতা থেঙ্খাং নাইনা মসিগী ৱায়েলশিং চথুরকখিবনি।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী কাউন্সেল অসেম মোহেন্দ্রো অমসুং কাউন্সেল অজয় পেবমনা লেপ্তুনা লাকখি। অদুম ওইনমক কেস অসিগী ৱায়েলগী অরোইবা তাঙ্কক্তা চথখিবা নুমিৎ নীনিগী ৱায়েলগী শরুক্তদি পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা লেপখি। রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল এন টেজপ্রিয়ানা এসিষ্ট তৌখি।

ইলেক্সন কেস অসিগী ৱায়েলগী শরুক্তা অরোইবা তাঙ্কক ওইখিবা পিটিস্নরগী কাউন্সেলনা মহাক্কী আর্গ্যুমেন্টশিং সবমিট তৌবগী থবক চৎলিবা থা অসিগী ১৫গী কোর্টকী লঞ্চ মমাঙগী মতমশিংদগী সবমিসন তৌবা হৌখি। অদুম ওইনমক নুমিৎ অদুদা পিটিস্নর কাউন্সেলগী মায়কৈদগী অর্গ্যুমেন্ট সবমিসন তৌখিবা সিনিয়র কাউন্সিল ঐচ এস পাওনমগী মায়কৈদগী সবমিসন তৌগদবা শরুকশিং মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমহৌদবদগী মখা তানা মথংগী নুমিৎ মার্চ ১৬, ২০২১দা মেট্টর অসি জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চতা ফর্ষ্ট আইটেমদা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎলগা পিটিস্নরগী মায়কৈদা অর্গ্যুমেন্ট সবমিসন তৌরকখিবা সিনিয়র কাউন্সেলবু ৱাৎহৌবা শরুকশিং সবমিসন তৌহনখি। লোয়ননা নুমিৎ অদুগী নুংথিলগী পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা পিটিস্নর কাউন্সেলগী অর্গ্যুমেন্ট সবমিসন মপূং ফানা লোইশিনখিবদগী নুমিৎ অদুমক্তদা কোর্টনা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজার্ভ তৌদুনা থমখিবনি।

ইলেক্সন পিটিসন অসিদা পিটিস্নর ওইরিবা ৱাই ইরাবোতকী মায়কৈদগী কোর্টতা ৱাকৎলকখিবনা পাঙথোকখ্রিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্বলিগী মীখল অদুদা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা ও হেনরিনা মীরেপ ওইনবগীদমক পীশিল্লকখিবা মহাক্কী নোমিনেসন পেপরগী তঙাইফদনা লোয়নরকখিবা চেরোলশিংদা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী মতুংইন্না মেনশিনফম থোকপা ইনফোর্মেসনশিং মেনশিনবদা ওন্ন-তৈননা মেনশিল্লকপা কয়া য়াওখি। মরম অদুনা মহাকপু মীখল অদুগী রিটর্ন কেন্দিদেটনি হায়দুনা লাউথোকখিবা ইলেক্সন রিজল্ট অদু চৎনহনবীগনু হায়জরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২ ওফ ২০১৭ অসিগী ৱায়েল চথুরক্লিঙৈগী চৈরক্তা পিটিস্নর অমসুং রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১গী মায়কৈদগী ইলেক্সন কেস অসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস ইলেক্সন কেসশিংসু ফাইল তৌনরকখিবনি। লোয়ননা ইলেক্সন কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৱান ওইরিবা এক্স এম এল এগী মায়কৈদগী মহাক অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী হিয়ারিং নুমিৎ খুদিংগী লেপ্তুনা চথুবীনবা মিসেলিনস কেস অমসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা চৎলিবা থা অসিগী ২দা ফাইল তৌরকখিবা লৈখিবনি।

অমরোমদনা, রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৱান অসিনা কোংগ্রেস এম এল এ ওইরম্বদগী রিজাইন তৌখ্রবা মতুংদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরিএটনা ওগষ্ট ১১, ২০২০দা থোকখিবা বুলেটিন (পার্ট ২) গী মতুংইন্না ১৫-ৱাংখৈ এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী সিট নুমিৎ অদুদগী হাঙলে হায়দুনা লাউথোকখিবনি।

# মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা ...

*লামায় ১গী মখা...* হায়খিবদা কে জি টি অসিগী মখাদা হৌজিক হৌজিক বিষ্ণুপুর এ সীদগী অপূনবা অহল ৭৯৬, অদুগা লাইবক থিহৌরবা চহী ৪৫গী মখাদা লৈরিবী মপুরোইবা কায়নখ্রবী ইচল, ইচা ১৮৫গা থারগা পুন্না বিনিফিসরি ৯৮১দা পেন্সন অসি থা খুদিংগী পীজবনি। ওল্ড এজ পেন্সন পীবনা কুমজা ২০১৫দগী অদুগা ৱিদো পেন্সননা কুমজা ২০১৬দগী হৌবনি। পীজরিবা শেনফম অসি য়াম্বদি নত্তে, অদুবু ঐখোয়গী পান্দমদি মতম শাংনা পীবা ঙম্বা হায়বদুনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ট্রষ্টকী চ্যেরমেনসু ওইরিবা বিষ্ণুপুর এ সীগী এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজম, বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ ইবোতোম্বী, বিষ্ণুপুর ব্লোক মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ৱাই শ্যামা, বিষ্ণুপুর এসেমব্লী য়ুথ কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট এল প্রেমজিৎ মৈতৈ, থিনুঙ্গৈ জি পিগী প্রধান এন ভৈগ্যবতি, নাচৌ জি পিগী প্রধান এন জাদু, ক্বাসিফাই খোইজুমান জি পিগী প্রধান টি ঐচ অহনবী অমদি নিংথৌখোং অমসুং বিষ্ণুপুরগী এক্স-কোংগ্রেস কাউন্সীল্লরশিংনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# বেঙ্ক ছুটি

ন্যু দেল্লী, মার্চ২১ (এজেন্সী):

মার্চ২৭তগী ২৯ ফাওবা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা বেঙ্কশিং ছুটি থাগদবা মরম্না বেঙ্ককা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং মাঙজৌননা পাঙথোকহৌগদবনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

| FOREX (INDIA RUPEES) | |
|---|---|
| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| Euro | 86.401739 |
| US Dollar | 72.427536 |
| British Pound | 100.457931 |
| Australian Dollar | 55.889978 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.129880 |
| Japanese Yen | 0.664764 |
| Malaysian Ringgit | 17.634376 |
| Singapore Dollar | 53.966228 |
| South Korean Won | 0.064113 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.314010 |
| Thai Baht | 2.349529 |


# GAS NEWS

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**Booking up-to 04/02/21**
Valid from 29/01/21.
Home delivery only.........
contact no. 9089709738, 8794622868
Office timing 8.00AM to 11AM
will be delivery for 3days

**M/s K&K INDANE SERVICE**
**Booking upto sl.no 100 A&B of 26/02/2021**
Valid from 19/02/21
Time 7.30 to 11am

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 26/02/2021
**BOOKING UPTO : 27/02/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677
TIMING: 8:00 AM to 12:00 PM

**M/S ASHANGBI INDANE,-SUGNU**
**B/upto-30-01-21**
V/from-25-01-21
**Stk-306.**
only home delevery.
Call - 7629966437.
Time - 8 to 2pm

**KHONGNANG GAS AGENCY, BISHNUPUR.**
**Booking up to: 18/03/2021.**
Valid from: 07/03/2021.
Please contact mobile no. 7085412234
Time: 7:30am to 10:30 am

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
**Bking upto 8/1/21**
Valid from 5/1/21
**Stk : 306**
Timing-6am to 9am
Home Delivery (Contact no. 8119073029/8974426830)

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 am to12:00noon
BOOKING : 03.02.21
VALID : 29.01.2021
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156, 7630902992, 7085198900
ONLY FOR ALL THANGMEIBA ND & LAMPHEL
7628098544, 8787630773, 9089370369
DELIVERY WITHIN 3 DAY


# এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি, আর দি এন্দ পি আর...

*লামায় ১গী মখা...* ৱাফম অসি ফেব্রুৱারী ২১, ২০১৭ অমসুং ওগষ্ট ২৮, ২০১৮দা পীখিবা ৱার্ক ওর্দর অনীনা মসিগী ময়েক লারবা খুদমনি হায়রি।

অদুম ওইনমক পি এম জি এস ৱাইগী ফেজ-৯গী লম্বী শেম্বগী কন্ট্রেক্ট ৱার্কশিংদগী জি এস টি লৌদনবা হায়রবসু ওথোরিটিশিং অসিনা কন্ত্রেক্ট ৱার্কশিংদগী জি এস টিগী শরুক ককথৎহৌখি হায়রি।

মরী লৈনবা সিভিল রিট পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা ওথোরিটিশিং অসিনা চথুরক্লিবা থৌওং অসিগী মায়োক্তা চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা কন্ত্রেক্টরশিংগী এসোসিএসন অহুমনা ফেব্রুৱারী ১৯, ২০২০দা চীফ এঞ্জিনিয়র (আর ঈ দি)/এস আর আর দি এদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা কন্ত্রেকটরশিংদগী জি এস টিগী মীংদা ককথৎহৌখিবা শেনফমশিং অদু হন্দাকপীরক্নবা হায়জখি হায়রি। চেরোল অদু এজেন্সী অসিগী চীফ এঞ্জিনিয়রনা ফেব্রুৱারী ২০, ২০২০দা ওফিসল ওইনা রিসিপ তৌখি হায়রি।

হায়রিবা কেস অসিগী পিটিস্নর অহুমগী মায়কৈদগী চীফ এঞ্জিনিয়রদা পীশিনখিবা রিপ্রজেন্টেসন অদুগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলক্তুনা কন্ট্রেক্টরশিংদা শেল হন্দোকপগী থবক পাঙথোরক্তবদগী অমুক্কসু হন্না রিপ্রজেন্টেসন অমা মে ৩০, ২০২০দা পীশিনখি হায়রি।

অদুম ওইনমক পিটিস্নর ওইরিবা কন্ট্রেক্টর এসোসিএসন অহুমগী মায়কৈদগী থেঙ্খাং অনীরক্তা রিপ্রজেন্টেসনশিং সবমিট তৌদুনা ককহৌফম থোক্তবা পি এম জি এস ৱাইগী লম্বী শেম্বগী কন্ট্রেক্ট ৱার্কশিংদগী জি এস টিগী মীংদা ককথৎহৌবা শেনফমশিং হন্দোকপীরক্তবগী থৌওং অসি মরম চাদবা অমসুং কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকেল ১৯ (জি) না পীবা হকশিং ভাইওলেট তৌবনি হায়দুনা সিভিল রিট পিটিসন অসি ফাইল তৌরকখিবনি।

হায় কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপদা পিটিস্নর অহুমগী মায়কৈদা কাউন্সেল এম দেবানন্দনা লেপখি অদুগা রেসপোন্দেন্ট ওফিসল অহুমগী মায়কৈদনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট নিরঞ্জন সনসমনা লেপখি। কোর্টনা নাকল অনীমক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা সিভিল রিট পিটিসন অদুগী ওর্দর জুন ১৭, ২০২০দা পীখিবনি। লোয়ননা নুমিৎ অদুদা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদগী অনীরক থোক্না পীশিল্লকখিবা রিপ্রজেন্টেসনশিং অদু কোর্টনা পীরিবা ওর্দর অসি ফংবা নুমিৎতগী পারগা থা অমগী মনুংদা ‘স্পিকিং ওর্দর’ অমা থোক্তুনা দিসপোজ তৌগদবনি হায়দুনা খঙহনখিবনি। অদুবু মকোক থোংবা ওফিসলশিং ওইরিবা রেসপোন্দেন্ট অহুমগী মায়কৈদগী কোর্টকী ওর্দর অদুনা পীরকখিবা দিরেক্সনশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্তনা নমশিন্দুনা থল্লকপদগী কন্টেম্প কেস অসি মখোয় অহুমগী মথক্তা অমুক হন্না ফাইল তৌরকপনি।

জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা কন্টেম্প কেস অসি চৎলিবা থা অসিগী ১৬তা লৌখৎখ্রে। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নর অহুমগী মায়কৈদা কাউন্সেল এম দেবানন্দনা লেপখি। অদুগা অপূনবা কন্টেম্পনর/রেসপোন্দেন্ট অহুমগী মনুংদা নম্বর ২ অমসুং ৩ ওইরিবা এম এস আর আর দি এগী চীফ এঞ্জিনিয়র অমসুং এজেন্সি অসিগী চীফ এঞ্জিনিয়র (এম্পৱার্দ ওফিসর) অসিগী মায়কৈদনা কাউন্সেল টি ঐচ রোহিট কুমারনা লেপখি।

কোর্টনা কাউন্সেল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা পীখিবা ওর্দরদা কোর্ট অসিমক্না জুন ১৭, ২০২০দা পীখিবা ওর্দর অদু হৌজিক ফাওবদা থবক্তা ওন্থোক্তবা হায়বসি লাইবক থীবনি হায়খি। মরম অসিনা রেসপোন্দেন্ট অহুমগী মায়কৈদগী পীখিবা ওর্দর অদুগী দিরেক্সনশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্নবগীদমক কন্টেম্প কেস অসি এপ্রিল ৬, ২০২১দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি। করিগুম্বা হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা কন্টেম্পনর/রেসপোন্দেন্টশিংনা কোর্টকী ওর্দর অদু থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি মখোয় অহুম্মক্কী মায়কৈদগী থবক্তা ওন্থোক্তবগী মরম এক্সপ্লেন তৌনবগীদমক নুমিৎ অদুদা কোর্ট অসিদা কারক্কদবনি হায়খি।

লোয়ননা সিভিল কন্টেম্প কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৱান ওইরিবা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (আর দি এন্দ পি আর) গী মায়কৈদগীদি মহাক্কী মহুৎ শিনবা মীওই অমা নৎত্রগা মহাক মশামক কোর্ট অসিদা কারক্তবনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিনা মথংগী কেস অসিগী নুমিৎতা মহাকপু শোয়দনা কাহল্লক্কদবনি হায়বা দিরেক্সনসু পীখি।

কন্টেম্প কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ২ ওইরিবা এম এস আর আর দি এগী চীফ এঞ্জিনিয়রগী মতাংদনা মহাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল রোহিট কুমারনা কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা মহাক্তি হৌজিক সর্ভিসতগী রিটায়র্দ তৌরে । মরম অদুনা মহাক্কী মহুত্তা ফম অসি পুহৌবা মীওই অদুবু কন্টেম্প কেস অসিগী পার্টি অমা ওইনা য়াওহনবীফম থোকই হায়খি।

মহাক্কী ৱাফম অসি কোর্টনা তাবগা লোয়ননা চীফ এঞ্জিনিয়র অসিনা থবক্তগী পোত্থাখ্রবসু মহাক্না ফম অসি পুরিঙৈগী মতমদা করিগীদমক্তা কোর্টনা পীখিবা ওর্দরগী দিরেক্সনশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্লমদবনো হায়বদু কোর্ট অসিদা লাক্তুনা এক্সপ্লেন তৌরগদবনি হায়খি।

লোয়ননা এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টতা পীরিবা দিরেক্সন অসি অখন্ননা পীবনি হায়বগা লোয়ননা মসিবু মহাক্না শোয়দনা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়নসু খঙহনখি।


# JOINT ADVISORY ON PREVENTIVE MEASURES TO CONTAIN SPREAD OF COVID-19 DURING YAOSHANG FESTIVAL

**Imphal, the 17th March, 2021**

১. **বেকগ্রাউন্দ**

য়াওশঙ কুম্হৈ অসি রাজ্য অসিদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী মরু ওইবা কুম্হৈশিংগী মরক্তা অমনি। য়াওশঙ কুম্হৈগা মরী লৈনবা স্পোর্টস অমদি অতোপ্পা থৌরমশিং মীয়াম্না পাক-শন্না পাঙথোকপনা মরম ওইরগা, মীয়ামগী মরক্তা কোভিদ-১৯ শন্দোক্তনবা হোৎনবা হায়বসি মরু ওই। লাইচৎ অসি হৌজিক লোইবা নৎত্রি অমদি মতিক চাবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌদ্রবদি অসিগুম্বা কুম্হৈ অসিনা য়াম্না পাক-শন্না শন্দোরকপগী মরম অমা ওইবা য়াই। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা মহারাষ্ট্র, কেরলা অমদি গুজরাট য়াওনা লৈবাক অসিগী রাজ্য খরদা কোভিদ-১৯ অসি অচৌবা হকশেলগী সমস্যা অমা ওইদুনা লৈরি। মসিগী মথক্তা, অনৌবা ষ্ট্রেন হায়বদি, য়ু কে ষ্ট্রেন, ব্রাজিল ষ্ট্রেননচিংবশিংনসু কোভিদ-১৯না হৌজিক মালেমদা পীরিবা চৈথেং অসিগী মথক্তা অনৌবা চৈথেং অমা হাপচিল্লক্লি। য়াওশঙগী স্পোর্টস ওর্গনাইজরশিং, মমা-মপাশিং, নহাশিং অমদি মীয়াম্না দোক্যুমেন্ট অসিদা পীরিবা প্রোটোকোল অমদি ঙাকথোক্নবগী পান্থৈশিং অসি য়াওশঙ মনুংদা ঙাক্না চৎকদবনি।

মরম অদুনা, য়াওশঙ কুম্হৈ পাঙথোকপা অসিদা রেগ্যুলেসনশিং থম্নবা হোম দিপার্টমেন্টনা ২০২১গী মার্চ ৯দা ওর্দর অমা থোকখ্রে। ওর্দর অদুদা পল্লি মদুদি য়াওশঙ স্পোর্টসশিং অসি এস ও পি ঙাক্না পাঙথোকপা য়াগনি। এস ও পি অসি মখাগী পেরেগ্রাফশিংদা পীরি

২. **য়াওশঙ স্পোর্টস পাঙথোকফমদা পায়খৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিং :**

ক) কোন্টেক্ট স্পোর্টস ইভেন্ট খুদিংমক পাঙথোকপা য়ারোই।

খ) স্পোর্টস অরিনা অদুদা চঙফম অমদি থোকফমগী পোইন্টশিং থমগদবনি।

গ) থৌরম চথরিঙৈদা, পার্টিসিপেন্টশিং অমদি য়েংবা লাকপা খুদিংমক্না মতম পূন্নমক্তা ফেস মাস্ক উপকদবনি অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং তৌগদবনি।

ঘ) চহী মঙাগী মখাগী চহী নৌরিবা অঙাংশিং অসি শরুক য়াহল্লোইদবনি অমদি চহী ৫দগী ১৪গী মনুংদা লৈরিবা অঙাং খুদিংমক্না মমা-মপা, অহল-লমনশিংগা লোয়নরক্কদবনি।

ঙ) স্পোর্টসতা শরুক য়ারিবা পার্টিসিপেন্টশিংনা মশান্না অমদা শরুক য়াবা হৌরকপদা মাস্ক লৌথোকপা য়াগনি অমদি হেক লোইরকপগা মাস্ক উপশিনগদবনি।

চ) স্পোর্টস পাঙথোক্লিঙৈদা ওর্গনাইজরশিংনা খূৎ-শা হান্দফম, হেন্দ সেনিটাইজর, ফেস মাস্কনচিংবগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি। মখোয়না শীল্লিবা থৌরমশিং অদুদা কোভিদকা চানবা চৎনবা-কাঙলোনশিং অদু সুপরভাইজ অমদি মোনিটর তৌনবা অকন্নবা মীওইশিং ওর্গনাইজিং টিমনা থমগদবনি।

ছ) শান্নবুং অমদি শান্নফমগী মনুং অমদি অকোয়বদা লোক-তিন শীৎপা য়াহল্লোইদবনি।

জ) স্পোর্টসকী থৌরম, কম্পিটিসন নৎত্রগা প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসন পূন্নমক নুমিৎ খুদিংগী নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৬:০০ কী মতুংদা তৌবা য়ারোই। এক্টিভিটি পূন্নমক নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৬:০০কী মমাঙদা লোইশিনগদবনি।

ঝ) স্পোর্টস তৌফমদা পূল্লিবা মীয়ামগী মশীং অসি মতম পূন্নমক্তা খ্বাইদগী য়াল্লবদা ১০০দগী হেলহল্লোইদবনি।

ঞ) মী মশীং হেন্না পূল্লকপা য়াবা ম্যুজিকেল কন্সর্ট অমদি অতোপ্পা মখলগী ইন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপা য়ারোই।

ট) ক্লব অমদি ওর্গনাইজিং কম্মিটি খুদিংমক্না অখন্নবা কোভিদ-১৯ টাস্ক টিম অমা, থৌরমগী মনুংদা এদভাইজরিশিং অদু রেগ্যুলেট তৌননবা লেঙদনা থমগদবনি অমদি কোভিদ-১৯গী ইমর্জেন্সি অমদি হেল্পলাইন নম্বর থেৎতুনা থমগদবনি।

৩. **স্পোর্টস পাঙথোকফমগী ৱাংমদা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিং**

ক) মী মশীং হেন্না তোংবা গাড়ী চথোক-চৎশিন তৌবা য়ারোই - য়াওশঙ মনুংদা, চাকা মরি পানবা গাড়ীনা মী মরিদগী হেন্না পুবা য়ারোই অমদি চাকা অনী পানবনা মী অনীদগী হেন্না তোংবা য়ারোই।

খ) গাড়ীশিং য়াম্না কূংনা ওইল পম্পতা থাও হালহনবা য়ারোই।

গ) লম্বীদা থৌরী শীজিন্নদুনা নৎত্রগা শীজিন্নদনা শেল খায়বা য়ারোই।

৪. **মৈরা লৌবা চৎপা**

ক) কংলা অমদি অতোপ্পা মফমশিংদা মৈরা লৌবা চৎপদা সোসল দিষ্টেন্সিং তৌগদবনি। কংলা ফাওবা মৈরা লৌবা লাকপদা মী ২০দগী হেন্না লাকপা য়ারোই অমদি মী ৫না কংলা মনুংদা মৈ লৌবা চঙবা য়াগনি।

**৫. কোভিদ-১৯ ইমর্জেন্সি, হেল্পলাইন নম্বরশিং**

ক) 1800-3453818

খ) (মণিপুর মেন্টেল হেল্থ হেল্পলাইন)

গ) 0385-2414009

HL-P/6868/22